# উগান্দাদা পুন্সিগী মীয়াৎ ফংবা য়াবা এন্টি হোমোসেক্সুয়েল লো পাস তৌখ্রে



*কম্পালা, দিসেম্বর ২০ঃ* হোমো সেক্সুয়েল এক্টশিংদা করিগুম্বা কেস খরদদি পুন্সি চুপ্পগী মীয়াৎ পীবা য়াহন্দুনা উগান্দাগী পার্লিয়ামেন্টনা এন্টি হোমো সেক্সুয়েল বিল অমা পাস তৌখ্রে।

এন্টি হোমো সেক্সুয়েলিটি বিল অসিনা হোমো সেক্সুয়েল এক্ট অমবু করিগুম্বা মতাং খরদদি পুন্সি চুপ্পগী কৈশুমশঙদা লৈবা য়াবা ক্রাইম অমা ওইহল্লি। উগান্দাগী প্রাইম মিনিষ্টরনদি এম পি শিং মশিং শুনা য়াওদে হায়দুনা ভোটিং অদু য়াখিদে। অমরোমদনা বিল অসি ইং ২০০৯ দা হেক শেল্লকপদগী মালেমগী লুচিংবশিংনা বিল অসিবু কন্দেম তৌনরকখিবনি। অদুবু ঙসি বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌরবা মতুংদা এম পি ওইবা দেবিদ বহাটিনা হায়বদা পার্লিয়ামেন্টনা অসিগুম্বা ফৎখিদ্রবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা ভোট পীরে হায়বসিদা ঐনা হরাওবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কম্পালাদা বি বি সিগী কেঠরিন ব্যারু হাঙ্গানা হায়খিবদা গভর্নমেন্টনা বিল অসি হেক পাস তৌবগা মালেম পুম্বগী ওইনা য়ানিংদবা খোল্লাও লাউনরক্কনি হায়বদি খঙই। অদুগা মালেমগী লৈবাক খরনদি লৈবাক অদুদা পীরম্বা মতেং ফাওবা সস্পেন্দ তৌখিবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়বদা প্রাইম মিনিষ্টরনদি ভোট অদু লৌনবদা পার্লিয়ামেন্টকী ক্বারম ফাখিদে হায়বসিদা মখা তাবা থবক হৌনবী মতুংইন্না চত্থরকপা য়াবসু লৈরি। অদুগা বিল অসিবু লো ওন্নবগীদমক উগান্দাগী প্রসিদেন্ট য়োৱেরি মুসেভেনিনা সাইন তৌগদ্রা তৌরোইদ্রা হায়বদুসু য়েংনিঙাই লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা প্রাইভেট মেম্বর বিল অসি হান্নদি অকক্নবা ওফেন্স খরদা শিবগী চৈরাক পীবা য়াহন্নবা ৱাফম হৌদোকপনি। খুদম ওইনা হায়রবদা থৌদোক অদুদা অঙাং অমা চেন্নরবা অদুগা ক্রাইম চত্থরিবা মীশক অদুসু ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরগদি পীবা য়াবা চৈরাক অসি খ্বাইদগী কনবদা শিবগী চৈরাক ওইহনগদবনি হায়নসু হৌদোকখিবনি। অদুবু চৈরাক অসি খজিক্তং য়াংহন্দুনা বিল অসিদা পুন্সি চুপ্পগী মীয়াৎ ওইনা ওন্থোকখিবনি।

বিল অসিবু শৌগৎলিবা এম পিশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা দেবিদ বহাটিনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা মসি উগান্দাগী মায় পাকপা অমনি। অসিগুম্বা লুজদবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা পার্লিয়ামেন্টনা য়ানিংদবগী ভোট পীখিবসি নুংঙাইবা ৱাফম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসি ঈশ্বরবু কিজবা লৈবাক অমসু ওইনা ঐখোয়না পুন্সিবু য়াম্না শেংনা লৌই। অসিগুম্বা ফজবা ভেল্যুশিং অসিগীদমক য়েংলগা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংনা করি খনগদগে হায়বদু থৌশাদনা বিল অসিবু পাস তৌখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বিল অসিদা হোমো সেক্সুয়েলিটি প্রোমোট তৌববুসু অথিংবা থম্মী। বিল অসি ভোট লৌনবদা মায় পাকখ্রবা মতুংদা উগান্দাগী গে এক্টিভিষ্ট ফ্রাঙ্ক মুগিসানা হায়বদা ঐহাক হৌজিক্তি ওফিসিয়েল ওইনা আইননা য়াদবা হায়বদু ওইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুগা বিল অসিবু শৌগৎপশিংনা হায়বদা নাৎকী ওইবা ফেমিলি ভেল্যুশিং ঙাকপা মথৌ তাই। অদুবু নাৎ অসি নোংচুপলোমগী ৱাখল ইথিল চংবা গে রাইট গ্রুপশিংগী থৌইনশিন্দগী হৌজিক্তি কায়থরক্লে হায়নসু বিল অসিবু শৌগৎপশিংনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি উগান্দা অসি খুন্নাইগী ওইনা কঞ্জার্ভেটিভ ওইবা লৈবাক অমনি। অদুগা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতসু মসিগী পার্লিয়ামেন্টনা এন্টি–পোর্নোগ্রাফি বিল পাস তৌখ্রবনি। বিল অসিগী ৱায়েকশিংনা মিনি স্কর্ট শেৎপদা অথিংবা থম্মী। অদুগা মীওইবদা সেক্সুয়েল ওইবা ইথিল পীগদবা ম্যুজিক ভিদিও মখল খরসু অথিংবা থম্মী। হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা হায়বদদি উগান্দাদা গে কাংলুপকী মীওইশিংনা মায়োক্লরিবা ইন্থোকপগী ফিভমবু য়ানিংবা ফাওদে হায়বদু বিল অসিনা শেংনা উৎলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# বাংলাদেশনা চাইনাগা সব–মেরিনগী ৱাফম য়ান্নখ্রে

*ধাকা, দিসেম্বর ২০ঃ* বাংলাদেশনা লৈবাক অদুগী ঈশিং লান্মীবু থ্রি দাইমেন্সন ওইহন্নবা থৌরাং অমগী শরুক ওইনা চাইনাদগী অফবা মখলগী সব–মেরিন অনি লৈবগী য়ানরোল অমা ইনখ্রে হায়না পাউ–চেশিংনা ঙসি ফোঙদোক্লখ্রে।

মিং–ক্লাসকী সব–মেরিন অনি অসিনা বাংলাদেশকী মেরি টাইম রিসোর্স অমদি ঈশিংগী শরুকপু ঙাক শেনবদা নেভিগী মপাঙ্গল হাপকৎলগনি হায়নসু নিউ এজ পাউ–চেনা শক–মিং তাকথোক্তবা ওফিসিয়েলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা চৎনগদবা দিল অসিনা বাংলাদেশকী টাকা ক্রোর ১৬০০ নত্রগা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ২০৩.৩ তিংদুনা মিং ক্লাসকী সব–মেরিন অনি অসি লৈবা য়ানগদৌরিবনি। নেভিগী নত্রগা মিলিটরিগী মেদিয়ানদি মসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনানা সব–মেরিনশিং লৈনবা গভর্নমেন্টকী থৌরাং অমা লাউথোকখিবা মতুংদগী থা ৪ চোঙ্গরগা পাউ অসি ফোঙদোরকপনি।

ঈশিং লান্মীগী অচৌবা থৌরম অমদা হৌখিবা ওগষ্ট থাদা হসিনানা হায়খিবদা শেল থুমগী অচিনবা লৈরবসু মহাক্কী গভর্নমেন্টনা মতমগা চুনবা অমসুং খল চাবা থ্রি–দাইমেনস্নেল নেভেল ফোর্স অমা লৈহন্নবা হোৎনরি হায়বগা লোয়ননা থৌরাং অসি লৈবাক অসিগী ঈশিংগী শরুক ঙাক শেন্নবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

মমাংদা ফোঙনখিবা পাউশিংগী মতুংইন্নসু টাইপ ০৩৫ জি দিজল–ইলেক্ট্রিক্ট সব–মেরিনশিং অসি বাংলাদেশতা ইং ২০১৯ দা দেলিভর তৌগনি হায়খিবনি। বাংলাদেশ নেভিনা চাইনাগী ষ্টেটনা চলাইবা ফার্ম অমদা ইং ২০১৭–১৮ গী শেনবা চহিগী মমলদা পারগা সবমেরিনশিং অসিগী মমল ওইনা পীগনি হায়না লেপখিবনি। নেভিনা হায়বগী মতুংইন্না মসিগী ওফিসিয়েল ১৭ সু সব–মেরিনশিং অসিবু ওপরেট তৌনবগী চপ চাবা ত্রেনিং পীখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুগা খা–নোংচুপ থংবা কোক্স বজারদা লৈবা কুতুব দিয়া ইথৎতা সব মেরিন–বেজ ওইনবা লম লৌশিল্লে হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

মেজর জেনরেল (রিটয়ার্দ) এ এন এম মুনিরুজামননা হায়খিবদা ঐখোয়গী ষ্ট্রেটিজিক ওইবা লৈবাক অসিনা মশা খিংবা মেরি টাইমগী থৌরাং খরা লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়ান ওসিনগী শরুক অসি ইন্দিয়াগা য়েংনবদা খ্বাইদগী ষ্ট্রেটিজিক ওইবা মেরি টাইম ঠিয়েটর অমসু ওইবনি। অদুগা মসিদা চাইনা অমদি য়ু এসনসু মরুওইনা অমেরিকাগী মেরিটাইম পোলিসি অমদা রিজন অসিবু মিৎয়েং চংবা হৌখ্রবা মতুংদগীদি অচৌবা থৌদাং লৌখ্রবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমসি চহিগী ওইনদি সব–মেরিন দিল অসিনা চাওবদা অনিশুবা দিফেন্স এগ্রিমেন্ট অমা ওইগদৌরি। মমাংদসু বাংলাদেশনা রুসিয়াগা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন অমগী এম আই–১৭ হেল্লিকোপ্টরশিংগী দিল অমা ফাইনেল তাখ্রবনি। দিফেন্স এনালিষ্টশিংনা হায়বগী মতুংইন্না রসিয়া অসি খুৎলায়শিংগী অফবা সোর্স অমা ওইদবা মরমদগী হন্দক্কী চাইনাগা তৌনরিবা দিল অসি দিপ্লোমেটিক্কী ওইনা বাংলাদেশনা অনৌবা খোঙথাং অমা লৌরকপা ওইবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়না হায়বগী মতুংইন্না বাংলাদেশকী লান্মীনা চাইনা অমদি য়ু এস কী খুৎলায়শিংদনা খুৎলোয়বা হেল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পুটিননা ঙাকপীবদগী খোদোরকোবসকী থাদোকখ্রে

*মোস্কো, দিসেম্বর ২০ঃ* হান্নগী টাইকুন মীখাইল খোদোরকোবসকীগী লোয়রশিংনা হায়বগী মতুংইন্না রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ঙাকপীবগী চেরোল অমা সাইন তৌবদগী মহাকপু থাদোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীওইবগী হৌন–খঙবা মতৌ হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা খোদোরকোবসকীবু ঙাকপীবগী দিক্রি অমা পুটিননা সাইন তৌখিবনি। ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতসু প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খিবদা হান্নগী ওইল টাইকুন অসিনা মহাক্কী অপোকপী মশা ঙমদ্রে হায়রদুনা কোমথোকপীনবা হায়জরকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।



চহি ১০ রোম কৈশুমশঙদা লৈরকখিবা খোদোরকোবসকী অসি ওপোজিসন পার্টিশিংদা ফন্দ থাদরুবগী মতুংদা টেক্স থিদে অমদি হুরান চিন্থি তৌই হায়বগী মরালদা কৈশুমশঙদা থাজিনখিবনি। হান্নগী য়াম্না চাওনা থাও ললোনবা অমা ওইরকপা মীখাইল খোদোরকোবসকী অসি হুরান চিন্থি তৌবা অমসুং টেক্স থিদবগী মরালদা চহি ১০ গী মমাংদা কৈশুমশঙদা লৈত্রিঙৈ মমাংদদি রুসিয়াদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ললোনবা অমসু ওইখিবনি। মতম অদুদা ওপোজিসনদা ফন্দ থাদৈ হায়বগীদমক পুটিনগা য়ানরকখিদবনি। অদুবু মহাক মরাল লৈতে হায়না খোদোরকোবসকীনা অসুক কুইবসি সিখাং খাংদুনা লাকখিবনি। ইং ২০১০ দা চত্থখিবা অনৌবা ৱায়েল অমগী ৱারোই মতুংইন্না মহাক্কী কৈশুমশঙদা লৈবগী মতম অমুক শাঙদোরকখিবনি।

অদুবু মতমদুদা এনালিষ্ট খরনা হায়বদদি খোদোরকোবসকীবু মনিং তমহনবা য়াদবা কা হেন্না মরু ওইবা রাইভেল অমা ওইনা পুটিননা লৌখিবননি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

হৌজিক্তি অৱাংবা থাক্তা লৈবা ফাদোকশিংবু হেন্না পাক চাওনা কোমথোকপা অমা ফংহনবগী খোঙথাংদা মহাকপু থাদোকপনি হায়না মায়কৈ খরদগী ফোঙদোক্লরকপসু য়াওখি।

পনবা য়াবদি মথং চহিদা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলেম্পিকক্কী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী মীওইবগী হক্কী থৌরাংদা ফজবা শক্তম অমা ওইহন্নবা খোরকোবসকীবু থাদোকপা ওইবা য়াই হায়নসু লিখুন খরনা ফোঙদোকই।

অমরোমদনা চহি ১০ কৈশুমশঙদা লৈরুবদগী খোদোরকোবসকীগী লাইবক মমি শামখ্রে হায়না পুটিননা খল্লম্বসু য়াই। মরমদি রুসিয়াদা মী অয়াম্বনা মহাকপু থোইদোক্লা পুক্লিং চংনদ্রে। খোদোরকোবসকীগী লোয়ার ভাদিম ক্লিউবগেন্টনা হায়খিবদা ওফিসিয়েলশিংনা মশাগী চহি ৫০ শুরবা খোদোরকোবসকী অসি অৱাং নোংচুপ রুসিয়াগী কারেলা রিজনদা ফাদুনা লৈরকপা মফম অদুদগী থোকখ্রে হায়বা ৱাফম প্রিজন ওফিসিয়েলশিংনা কনফার্ম তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী পাউ–চে অমনা ওফিসিয়েলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খিবদা খোদোরকোবসকী অসি থাউ হুরানবা অমদি মনি লোন্দরিংগী মরালদা ইং ২০১০ দা কনভিক্সনসু পীখিবনি। হান্নসু টেক্স থিদবগী মরালদা মহাক ইং ২০০৩ দা ফারবগা লোয়ননা কনভিক্সন ফংদুনা কৈশুমশঙদা লৈরকখিবনি।

মহাক্কী মীয়াৎ লোইদুনা চপ চানা থাদোক্কদবা মতমদি মথং চহিগী ওগষ্ট থাদনি হায়রি।

# খোব্রাগাদেগী মরাল হন্দোক্লোইদৌরি

*ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২০ঃ* ইন্দিয়াগী দিপ্লোমেট দেবয়ানি খোব্রাগাদেবু মমাং চয়োলদা ফাবদগী য়ু এস অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা অচৌবা ৱায়াম্নবা অমা থোক্লবা মতুংদা ঙসি ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়খিবদা য়ু এস না দিপ্লোমেট অসিগী চার্জশিং দ্রোপ তৌরোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

খোব্রাগাদে অসি বিজাগী নমথাক তৌই হায়বা চিংনবা অমা লৈবদগী নিউয়োক্তা ফাখিবনি। মদুদা মহাক্না অরানবা ৱারোল পী হায়নসু য়ু এস না ফোঙদোকখিবনি।

ৱাথোক্তি ইন্দিয়ান মেদ অমবু দিপ্লোমেট অসিনা তলব ৱাৎনা পী হায়না য়ু এস না মরাল শীখিবনি। অদুবু খোব্রাগাদেনদি মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অসি য়াখিদবগা লোয়ননা কোন্না বেলদা থাদোকখিবনি।

ইন্দিয়ানসু লৈবাক অসিগী দিপ্লোমেট অমবু খোঙ্গোইনবা য়ৌনা ত্রিট তৌই হায়বগা লোয়ননা য়ু এস না মসিগী মতাংদা এপোলোজি তৌগদবনি হায়না তকশিনখিবনি।

পনবা য়াবদি খোব্রাগাদেগী মথক্তা মহাক্কী মেদ ওইবী সঙ্গিতা রিচার্দনা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎলকপদগী ফারবা মতুংদা মীয়াম মমাংদা হেন্দ–কফ চনখিবগা লোয়ননা মশা শোক্লা চেক তৌখি হায়না ইন্দিয়ানা ৱারৌবা ফোঙদোকখিবসু লৈরিবনি।

অমরোমদনা খোব্রাগাদেনা শঙ্গিতা রিচার্দপু হুরানবগী মরাল শীবগা লোয়ননা মহাকপু ব্লেক মেল তৌনবা হোৎনৈ হায়নসু ৱাকৎখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি হৌখিবা জুন ২৩ দা খোব্রাগাদেগী মেদ ওইবী সঙ্গিতা রিচার্দ অসি মফম খঙদনা মাঙখিবনি। মদুগী মতুংদা খোব্রাগাদেনা ফোরেন মিসন্সকী ওফিসতা পাউ পীবগা লোয়ননা নিউয়োর্ক পুলিসতসু পাউ পীখিবনি। মতুং তারকপদা ইন্দিয়ানা সঙ্গিতা রিচার্দকী পাসপোর্ট অদু চৎনহনখিদবগা লোয়ননা য়ু এসতা মহাক আইননা য়াদবা মওংদা লৈবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

চৎখিবা সেপ্তেম্বর ৪ দনা রিচার্দকী টার্মস ওফ এমপ্লোয়মেন্টকা মরী লৈননা থোক্লিবা ৱাথোক অদু থিগৎনবা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ইন্দিয়ান এম্বেসিদা খঙহল্লকখিবনি। ওক্টোবর ৮ দনা ইন্দিয়ান এম্বেসিনা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টতা অইবা চেরোল থাদুনা কেস অসিগী অশেংবা ফিভমশিং খঙহনবগা লোয়ননা সঙ্কিতা রিচার্দনা ইন্দিয়া অমদি য়ু এসকী লোবু নমহৎনবা হোৎনরে হায়না মরাল শীবা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

অদুগা হৌখিবা নভেম্বর ১৯ দনা দিল্লি কোর্ট অমনা সঙ্গিতা রিচার্দপু ফানবা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইসু তৌখিবনি। থা অসিগী ৬ তা ৱারেন্ট অদু দিল্লিদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিদা অমদি ষ্টেট দিপার্টমেন্টতা ফোরৱার্দ তৌখিবনি।

# ফিল্লিপিন্স এয়ারপোর্ট সুটিংদা মীওই ৪ শিরে



*মানিলা, দিসেম্বর ২০ঃ* ফিল্লিপিন্সকী মানিলা এয়ারপোর্টতা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অমদা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা মেয়োর অমা য়াওনা মীওই ৪ কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

খা থংবা লবাংগান টাউনগী মেয়োর উকোল টালুম্পা অমদি অতোপ্পা মীওই ৩ এয়ারপোর্ট টর্মিনেলদা ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা নোংমৈনা পানখি। নোংমৈ পায়বা মীওইশিং অদুনা টালুম্পাগী মনাক্তা চংশিল্লক্লগা টালুম্পা অমদি অতোপ্পা মীওই অহুমবু য়াম্না নক্লা নোংমৈনা কাপখি হায়না এয়ারপোর্টকী মেনেজর জোস এঞ্জেল হোনরেদোনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমৈ পায়বশিং অদু মখোয়বু কাপ্লল্লগা নাম্থোকখ্রে। অদুগা করিগীদমক্তা মীওই ৪ অসিবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বনো হায়বদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

মানিলাগী নীনোই অক্বিনো এয়ারপোর্টনা ইন্টর্নেস্নেল অমদি দোমেষ্টিক ফ্লাইট সার্ভিসশিং তৌবা মরম থৌদোক থোকপা মতম অদুদা মী য়াম্না তিনখি হায়রি।

হোনরেদোনা হায়খিবদা মেয়োর অদুগা মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি সিক্যুরিটি এস্কোর্ট খরদা এটেক চত্থখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুগা শিখিবশিংগী মরক্তা মেয়োরগী লোয়নবীসু য়াওখ্রে হায়খি। গভর্নমেন্ট এজেন্সিশিংনা মীহাৎপশিং অদু মশক খঙদোক্লগা অচুম্বা ৱায়েল চত্থনবা ঙম্বমখৈ হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

টালুম্পা অমদি লোয়নবীদা নত্তনা শিখিবশিংগী মরক্তা চহি অমত্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমগা চহি ২৫ শুরবা মীওই অমগসু য়াওরি হায়নসু পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুদা মীওই ৪ শু শোকখি হায়রি। পনবা য়াবদি উকোল টালুম্পাগী পুন্সিদা অসুম্না এটেম্প তৌরকপা থৌদোক অনিরক থোকখ্রবনি। অমনা ইং ২০১০ দা এম্বুস চত্থরকখিবনি। অদুগা অনিশুবা থৌদোক্তনা ইং ২০১২ দা গ্রেনেদ এটেক চত্থদুনা হাৎনবা হোৎনরকখিবনি।

পুলিসকী থিজিনবা মীওইশিংনা ঙসিগী এটেক অসিগী মরুমদা পোলিটিকেল ওইবা য়ানদবা অমা লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবসু ফোঙদোকই। মেয়োর অসিগা মীওই অহুম অদুগা হাৎলবা মতুংদা নোংমৈ পায়বশিং অদু মোটোর সাইকল তোংদুনা মফম অদুদগী নাম্থোকখি হায়নসু হোনরেদোনা ফোঙদোকখি।

# ইরাক্তা পোকখাইবদা ৮ শিরে

*কিরকুক, দিসেম্বর ২০ঃ* অৱাং থংবা ইরাক্তা লৈবা লাইফ ষ্টোক মার্কেট অমদা ঙসি বোম পোকখাইবগী থৌদোক অনি থোকপদা মীওই ৮ শিরে হায়না পুলিস অমদি ডাক্তরগী লিখুনশিংনা ফোঙদোরক্লি।

বাগদাদকী অৱাংদা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা লৈবা টুজ খুরমাটু হায়বা মফম অসিদা থোকখিবা পোকখাইবগী থৌদোক অসিদা মীওই ২৫ সু অশোক অপন নংখি।

ইরাক্তা মিলিটেন্টশিংনা য়াম্না তোয়না মী চিনবা মফমশিং, কৈথেলশিং, কেফেশিং অমদি মোস্কশিংদা তোয়না এটেক তৌবনি। হায়রিবা মফমশিং অসি মখোয়না য়ারিবমখৈ মী মশিং য়াম্না শিহনবা অমসুং শোকহনবা ঙম্নবা খনবনি।

ঙসিগী এটেক অদু নুমিৎ হুম্নিগী মমাংদা স্যুসাইদ বোম্বরশিংনা বাগদাদ অমদি মসিগী খা–থংবদা লৈবা মফমশিংদা সিটে পিলগ্রিমশিংদা বোম পোকখাইহন্দুনা এটেক চত্থখিবগী মতুংদা থোকখিবনি। থৌদোকশিং অদুদসু মীওই ৩৬ শিখ্রবনি। অদুগা মিলিটেন্টশিংনা অতোপ্পা থৌদোক অমদা ইমুং অমগী মীওই ৫ সু সিটি অসিগী নোংচুপ থংবা মফমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি। কুমসি চহিদা লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা ভাইওলেন্স থৌদোকশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবনি। হাকুম চহিগী দিসেম্বর থাদা শিখিবা মশিংদগী থা অসিগী চয়োল অমখক্তা শিবা মশিংনা হেল্লে হায়রি।

# য়ু এস বেজদা পুল্লবা মী লৈরম্লে

*টোকিও, দিসেম্বর ২০ঃ* মিলিটরি অমদি পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা জপানগী ওকিনাৱা ইথৎতা লৈবা য়ু এস মিলিটরি কেম্প অমদা মশক খঙবা ঙমদনা পুল্লবা অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পুল্লবা অশিবা হকচাং অদু হৌখিবা শগোলশেলদা কেম্প ফোষ্টরগী হাউজিং এরিয়া ওইনরম্বা মফম অমদা থেংনরকখিবনি। শিরবা মীওই অদু কনানো, নুপারা, নুপীরা নত্রগা করম্বা মতমদা শিখিবনো হায়বা অমত্তা খঙবা ঙমদ্রি হায়না বেজ অদুগী ৱাঙাংলোইনা ফোঙদোকখ্রে।

# য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন মীফম লোইশিনখ্রে

*ব্রুসেলস, দিসেম্বর ২০ঃ* মফম অসিদা চত্থখিবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী নুমিৎ নিনিগী মীফম অদু হান্না য়ানখ্রবা বেঙ্কিং য়ুনিয়ন প্লান অমগী মতাংদা চিংনবা ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে।

ঙসিগী এজেন্দাদা মেদিটেরানিয়ানদা থোক্লিবা মাইগ্রেন্ট ক্রাইসিস অমদি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী য়ুক্রেনদা নিংহন্নখিবা অসিনা মরুওইবা এজেন্দাশিং ওইনা য়াওখি। মসিগী মমাংদা য়ুরোজোন বেঙ্কশিংবু বেল আউট তৌবা নত্রগা ক্লোজ তৌবগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিংগী অনৌবা রুলশিং য়ানখি। ইন্দষ্ট্রিজ অসিনা য়ুরো বিল্লিয়ন ৫৫ গী ফন্দ অমা শেম্নবা য়ানখ্রবসু পার্লিয়ামেন্টকী প্রসিদেন্ট মার্টিন স্কলসনা মহাক্কী ত্বিটতা হায়খিবদা শিথরক্লবা বেঙ্কশিংবু কনবা নত্রগা মুত্থৎপা হায়বসিদা হেন্না লায়হনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।



য়ুরোপিয়ান পার্লিয়ামেন্টনা হান্না য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী লিদরশিংনা য়ানখ্রবা শিথরক্লিবা বেঙ্কশিংগী মরীদা সিঙ্গল রিজোলুসন মেকানিজম অমা লৈহনবগী ৱাফম য়াবা ঙমখিদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ানখিবা ৱাফম অদুদি ই য়ু বেঙ্কিং য়ুনিয়ন অমা শেম্বা অসিনি। অদুবু মসিদি পার্লিয়ামেন্টকা য়ুরোপিয়ান কম্মিসনগা খন্ন–নৈনদুনা য়ামিন্নরবা মতুংদা থবক ওইনা ওনগদবনি। ফ্রান্সগী প্রসিদেন্ট হোলান্দেনদি মসিনা ইনভেষ্টরশিংদা কনফিদেন্স হেনগৎহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেলদা ই য়ুগী লিদরশিংনা ই য়ু রেপিদ রেস্পোন্স কেপাব্লিটিশিং য়াওনা দিফেন্স কো ওপরেসন ফগৎহন্নবা খোঙথাং খরা য়ানখিবনি।

# পাকিষ্টাননা শাজবা ফাইটর প্লেনশিং ইন্দক্ত তৌখ্রে

*ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২০ঃ* পাকিষ্টাননা মরন্নাই ওইনা শাজবা ৫০ শুবা জে এফ–১৭ থন্দর এয়ার ক্রাফটশিং হৌখিবা শগোলশেলদা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সনা রোল আউট তৌখ্রে হায়রি।

এয়ার ক্রাফট অসি মেক ১.৬ কী খোঙয়াংদা পাইবা ঙম্বগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী এয়ার দিফেন্সতা খ্বাইদগী চাওবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি হায়না খন্নরিবনি। পাকিষ্টান এরোনোটিকেল কমপ্লেক্স, কামারাদা পাঙথোকপা ইন্দক্সন সেরেমোনিদা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা হায়খিবদা পাকিষ্টানগী এভিয়েসন হিষ্টরিদা থৌদোক অসি থোইদোক্লা নিংশিংনিঙাই ওইবা অমনি হায়না শিংথাখি।

চাইনাগা কোলাবোরেট তৌদুনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসি নৱাজ সরিফনা ইং ১৯৯৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা হৌখিবনি। অদুগা প্রোজেক্ট অসিগী ইহান হানবা ফাইটর এয়ার ক্রাফট অদু ইং ২০০৯ দা শাবা লোইখিবনি।

কয়া লুমদবা ইঞ্জিন অমখক্তমক ওইবা লান্দা শীজিন্নবা অমদি মল্টি রোল ওইবা এয়ার ক্রাফট অসি এভিওনিক্স সিষ্টেম অমসু য়াওনা মিসাইল অমদি বোমশিং পুবা ঙম্বনি। পাকিষ্টানগী এয়ার ফোর্স ওফিসিয়েলশিংনা হায়খিবদা এয়ার ক্রাফট অসি শেলসু য়াম্না চংবা ওইদে অদুগা নোংচুপ লমগী ফাইটর প্লেনশিংগা লম্বা য়াগদবা অমসু ওই হায়না ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুদা চাইনা অমসুং পাকিষ্টাননা অপুনবা সেল এন্দ মার্কেটিং এগ্রিমেন্ট অমসু সাইন তৌনখি হায়রি।




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-104

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | 1 | | | | 8 | |
| | | | | | | | 6 | |
| | 2 | 7 | 5 | | | | | |
| | 4 | | 3 | | | 8 | | |
| | | 6 | | | | 5 | | |
| | 9 | 3 | | | 1 | | | 6 |
| | | | | 8 | 7 | | | 1 |
| | 5 | | 4 | 9 | | 7 | | |
| | | 2 | | | | | | |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 8 | 2 | 7 | 1 | 5 | 6 | 3 | 4 |
| 7 | 3 | 4 | 8 | 2 | 6 | 1 | 5 | 9 |
| 1 | 5 | 6 | 3 | 9 | 4 | 8 | 7 | 2 |
| 3 | 9 | 8 | 1 | 4 | 7 | 2 | 6 | 5 |
| 6 | 2 | 7 | 9 | 5 | 3 | 4 | 1 | 8 |
| 4 | 1 | 5 | 2 | 6 | 8 | 7 | 9 | 3 |
| 2 | 4 | 3 | 6 | 7 | 9 | 5 | 8 | 1 |
| 5 | 7 | 9 | 4 | 8 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 8 | 6 | 1 | 5 | 3 | 2 | 9 | 4 | 7 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*